প্রধান মীরেপকী য়ুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা কিহল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএনএস): লাক্লিবা ওক্তোবর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর পঞ্চায়ট ইলেক্সনদা ময়াংলাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মীরেপ ওইরিবা তখেল্লম্বম তোম্পোক মৈতৈগী য়ুমদা সিক্যুরিটি ফোর্স লাক্লগা কিহল্লম্বগী মায়োক্তা মীয়াম্না ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ময়াংলাংজিং তনিং লৈকায়দা লৈবা প্রধান মীরেপ তোম্পোক্কী য়ুমগী থোঙ্গানদা গ্রাম পঞ্চায়ট অদুগী মনুংদা লৈবা মীয়াম্না ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌরগা প্রধান মীরেপ তোম্পোক্কী য়ুমদা কিহল্লম্বা য়ানিংদে, মরাল লৈতবা প্রধান মীরেপ তোম্পোক্তা নোংমৈ পুথোরকউ হায়না কিহনবা য়ানিংদে, তোম্পোক মৈতৈ মীয়াম্না শৌগৎপা কেন্দিদেটনি হায়না থাবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ময়াংলাংজিং শেমগৎ শাগৎ লুপকী সেক্রেটরি বরকৈন্যানা হায়খি, ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ রোম তারকপা মতমদা ময়াংলাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মীরেপ ওইরিবা তোম্পোক্কী য়ুমদা সেকমাই পুলিস কম্মান্দোগী ও সী অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমা লাক্লগা নোংমৈ পুথোরকউ, নোংমৈ পুথোক্ত্রগদি ভোট লেপ্পা য়ারোই হায়না কিহল্লম্বা থৌওং অসি য়াম্না লায়বক থিবনি। মীরেপ ওইরিবা তোম্পোক্কী য়ুমদা ইলেক্সনগী ৱার্কর অমসু ওইরিবা মহাক্কী য়ুমথংনবদা লৈবা য়ুম্নাম সুরজিৎপু পুলিসনা ফাদুনা পুখ্রগা তমথিনা ফুরকখিবা থৌওং অসি য়াম্না পেনদে। অসিগুম্বা কিহন খঙহনবগী থৌওং অসি তৌবীগনু। ঈং তপ্না মীখল অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেঙ পাঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রধান মীরেপ ওইরিবা তখেল্লম্বম তোম্পোক্লা হায়খি, ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঐহাক্কী য়ুমদা পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী টিম অমা লাক্লগা ঐহাক্কী য়ুমদা লৈবা মরু মঙাগা লোয়নবা ৯ এম এম পিস্টোল অদু পুথোরকউ হায়না কিহল্লম্বনি। মসিদসু নত্তনা য়ুমথংনবদা লৈবা সুরজিৎপুসু ঐগী য়ুমদগী ফারগা পুখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা পুথোরকউ হায়রিবা নোংমৈ অমদি মরু মঙা অদু লৈতে। লাইসেন্স গন ওইনা ইশা ঙাকথোকচনবা লোনা য়াবা মওংদা দব্বল বেরেলগী নোংমৈ অমদি লৈ। ঙসি ফাওবদা নোংমৈ পায়দুনা এন্তি সোসল ওইবা অমদি লো থুগায়বা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈত্রি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা য়ুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবু লাক্লগা কিহন খঙহল্লম্বগী থৌওং চত্থরম্বা অসি পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌনবা থৌওংনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লিটরেচরগী সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএনএস): সাহিত্য একাদেমী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা শীন্দুনা রিফ্লেক্সন ওফ মণিপুরী কলচর ওন কনটেম্পররি মণিপুরী লিটরেচর হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুরী য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সিম্পোজিয়ম হৌদোকপগী থৌরমদা সাহিত্য একাদেমী ইষ্টর্ন রিজনগী ওফিসর ইন-চার্জ গৌতম পোল, মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্যা একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর ঐচ বেহারী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার এল জয়চন্দ্রনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর, চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা, ঐচ বেহারীনা হায়খি, মণিপুরী ফোকলোর কলচরশিং অসি লিটরেচরগা নক্লনা লাকই। লিটরেচরদা য়াওরিবা ফোকলোরশিং অসি মীয়ামদা খঙহনবা চঙই। মসিদা নৈনদুনা ঐখোয়গী লৈজরক্লিবশিং অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গৌতম পোলনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ঙসিগী সিম্পোজিয়ম অসি পাঙথোকপা নুংঙাইবা পোকই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। এল জয়চন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরী লিটরেচর হায়বসি হিন্দুগী ওইবা লিটরেচর ওইবা কয়াসু য়াওদুনা লাক্লে। ঐখোয়গী লিটরেচরদা হিন্দুগী মমী তাই। ঐখোয়গী ওইবদা হায়রগদি কলচরদা, কুম্মৈ হরাউ, জগোয় ওইরবসু রিচুয়েলগী ওইবা লোয়নদুনা চৎমিন্নবা ঙাক্তনি। সিম্পোজিয়ম অসিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমদি মহৈরোয় কয়াদা কান্নবা পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিম্পোজিয়ম অদুগী অহানবা সেসনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এল জয়চন্দ্রনা মোদেরেটর ওইখি। দব্লিউ এঞ্জেলা, ডা. পি জেমস অমসুং ডা. টিঐচ রুহিচান্দনা পেপর পাখি। অনীশুবা সেসনদা কম্মিস্নর ৱার্ক্স এন্দ আই পি আর কে রাধাকুমারনা মোদেরেটর ওইখি। ডা. এ রিসিকেস, সুরেখা লোঙজম অমদি ডা. কেঐচ বিমোলানা পেপর পাখি।

মীট দি অথরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচ এন এস): সাহিত্য একাদেমীনা শীন্দুনা মীট দ অথর নাওরেম কালিমোহোন সিংহ হায়বা থৌরম অমা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা দেব লিটরেচর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী ইষ্টর্ন রিজনগী প্রোফেসর ইন-চার্জ গৌতম পোল অমদি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর ঐচ বেহারীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নাওরেম কালিমোহোন্না ফোঙদোকখিবদা, লৌমীগী ইমুংদগী য়াম্না ৱানা লাইরিক তম্লক্তুনা হোৎনরকখি। লাইরিক তম্বা ফঙদবদগী ইম্ফালদা লাইরিক লৈবা লাকপদা য়ুমদা হনবা নংদবদগী ময়াং ইম্ফালদা নুমিৎ তারক্তুনা মাম্মগী য়ুমদা তুম্মী। মতম অদু সিকি অমগী ঙাতোন লৈবদা মী তরা চারিবা মতমনি। স্কুল চৎত্রিঙৈ মমাংদা অহিং হৌগৎলগা লৌবুক্তা চৎপা য়াওরিবনি। পল্লেল য়ৌরমদাইদা লৌ উবা অসিনা লৌফম য়ৌরকপদা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকই। লৌফমদগী স্কুল কাবা নংনবা হোবে হোবে লাকপদা স্কুলগী ক্লাস হৌরম্বদগী লেপ্পা য়াম্না য়াওই। ওজানা লৌ উগে হায়রগা উরো, লাইরিক তমগে হায়রগা তল্লো হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদসু য়াম্না ৱানা লান হঞ্জিল্লক্লগা লাইরিক তমখি। ক্লাস সেভেন কারকপদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তম্লকখি। কুমজা ১৯৫০ দা মেত্রিক পাস তৌরগা দি এম কোলেজ আর্টসতা তম্লকখি। দ্রামা ১৮ রোম ইখ্রে। অহানবা দ্রামা ইনিংবা পোকহনখিবসি চুড়াচান্দপুরদগী ছুটি থোরক্লগা য়ুমদা লাকপা মতমদা নুপী অমা কপ্লগা লৈরম্মী। মহাক্কী ফিজোলদসু খরা নাল্লি। হঙলুবা মতমদা নুপী অদুগী অপোকপা লৈখিদবগী শোরাৎ লাকপনি। নুপী অদুনা অপোকপগী শোরাৎ লাকপদা সাগৈগী মীওইশিংনা চঙবা য়ারোই, করিগুম্বা চঙলবদি মখা তানা চঙনররোই হায়বা ৱাফম থল্লকখি। চঙবা ঙমদবদগী মহাক কপ্তুনা লৈরম্বনি। ৱারী অদু তাবদগী দ্রামাদা পুথোকপা য়াগনি খনখি। নুংঙাইতবা পোকখিবদগী খ্বায়গী হোটেল অসি ইখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ঐচ বেহারীনা ফোঙদোকখিবদা, নাওরেম কালিমোহোন মায়থোং য়াম্বা অইবা অমনি। দ্রামা ইবা অমসুনি। মহাক্কী পুন্সি ৱারী অমদি থবক হায়বসিদা অতেনবা মতম ওইরগসু খঙমিন্ননবা হোৎনবনি। চহী ৮০ শুরবা মীওই অসিবু উননবগীমক মফম অমা শিনবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমীগী ৯ লক শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএনএস): গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমী কোংপাল সোজোর লৈকায়গী ৯ লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি একাদেমী অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী রিটায়র্দ দিরেক্তর এস থানিল পদ্মশ্রীনা হায়খি, পালাদা য়েৎলিবা কোইয়েৎ সলাইসি কনাগীসু নত্তে। থায়না চৎলম্বা মীতৈগী অরিবা ওজাশিংগা তানরগা পুথোক্লম্লবনি। ঐখোয়না পুনশিন্নরগা অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্নরা পুখৎলবদি মণিপুর অসি মাঙলোমদা চৎপা ঙমগনি। লমদম অসি মালেমদা মশক মমীং খঙলিবনি। হৌরক্লিবা নহাশিংদা মমুৎ তানা খঙননবা একাদেমী অসিনা তৌরিবা থবকশিং থাগৎনিংঙাইনি। তুংদসু অফবা ওইরকসনু। মণিপুরগী কলচর য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সৈত্যভুষন এৱার্দি কেঐচ নিমাইচরন্না হায়খি, থৌরম অসিগা মরী লৈননা ওজা অনীদা ইকায়খুম্নবা উৎপা অসি য়াম্না চাউথোকচনিংঙাই অমনি। ওজা হৈক্রুজম তোম্বা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পুং য়ৈবগী থবক তৌরক্লবা ওজা অমনি। মহাকপু শকখঙবীবা লৈরম্বা থোক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্লা মহাক অসি লাইফ তাইম এচিবমেন্ট পীবা য়ারবা মীওইনি। ঙসি ফাওবা সংকৃত্তনগী পুং য়ৈবা তোক্ত্রি। অঙাং ওইরিঙৈদগী পুং য়ৈরকপা অদুনা হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গুরু কুল্লা মেমোরিয়েল এৱার্দ লৈমপোকপম মোহোন (গুরু চোলোম) অমদি হৈক্রুজম তোম্বা (গুরু পুং) ওজা অনী অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং মঙা মঙা অমদি সোল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা সঙ্গীৎ নাটক একাদেমীগী নেসনল এৱার্দি এল লাখপতিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া উৎখি।

GAS TODAY
TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto:21/06/2017
Valid From:07/06/2017
Stk :306
Timing:07.00am to 11.00am
HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto:01/05/2017
Valid From:27/04/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am
IMPHAL LPG SERVICE
19 Kg. Commercial
Stk :180

খুন্নাইগী তুংগী য়াইফনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙই: অদ্য প্রসাদ পান্দে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএনএস): খুন্নাইগী তুংগী য়াইফনবা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দেনা ঙসি এম য়ুগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখিবা য়ে ইন্দিয়া কা তাইম হে হায়না মীংথোনবা থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্টনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম য়ুগী ভি সী অদ্য প্রসাদ পান্দেনা হায়খি। ইন্দিয়াগী নীংতম্নবগী ঈহৌদা থৱায় কৎখিবা অথৌবশিং নীংশিংবা তঙায়ফদে। ফ্রিদম ফাইটরশিংনা লৈবাক অসিগীদমক কথোকখিবা কয়া অদু ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবা তাই। খুন্নাইগী তুংগী য়াইফনবগীদমক লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি। লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোন অমদি কলচরগী ফজরবা মশক কয়া লৈরি। লমদম অসিগী চাউখৎলবা নাৎকী মশক অসি হেন্না চাউখৎনবা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনবা তঙায়ফদে। লোল, চৎনবী, তোঙান তোঙানবা কলচরনচিংবা কয়া লৈরিবা লমদম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুন্দুনা চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনমিন্নবা তাই। নহা ওইরিবশিংনা খুন্নাইগীদমক খনবা তঙায়ফদে। তুংগী খুন্নাইগী য়াইফবা পুরক্নবগীদমক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হোৎনরম্বা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রো. এন সদানন্দনা হায়খি, মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থৱাই থাখ্রবা অথৌবশিংগী ৱাখল্লোন ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা তাই। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেসকী দিন প্রো. এন লোকেন্দ্রনা হায়খি, মালেমগী চাউখৎ খোঙজেলদা লৈবাক অসিসু য়াওবা ঙম্লক্লি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াসু চাউখৎ লমজেলদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা কয়া অসি খঙবা অমদি খুন্নাই অসিগীদমক ঐখোয়না করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্টরি দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. এল কুঞ্জেশ্বরিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈ কয়ানা ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা চাউখৎ থৌরাংগী অওনবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। এম য়ুগী ওফিসলশিং, ওজাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কোলেজ কয়াদগী লাকপা মহৈরোয় কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২: রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেল্লি এবল্ড পর্সন মণিপুরগী বিষ্ণুপুর য়ুনিটনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্লা খুৎশম্নরগা থা অহুমগী ওইবা স্কীল অপগ্রেসন প্রোগ্রাম ওন সোপ এন্দ দিটর্জেন্টকী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে। রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেল্লি এবল্ড পর্সন মণিপুরগী সেক্রেটরি লোকেশ্বরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর লিসম মার্জিৎ, সোসল ৱার্কর জাকির অমদি রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র দিফরেল্লি এবল্ড পর্সন বিষ্ণুপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এল লখিকান্তনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ত্রেনি ২৫ না শরুক য়ারি।

করাংদা মৌ নহা অমা ...

*লামায় ১গী মখা...*লৈরমখি। মদুদা নুপী ময়ুমগী মীওইশিং লাক্তুনা কৌবদা চৎখিদে। মতুংদা মহাক্কী মপুরোইবা লাক্লগা হায়জবগা লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থোকহল্লোই হায়রকপদগী মপুরোইবা চন্দ্রবাবুদা অমুক শিন্নখি। মহাক্কী মপুরোইবা হান্না প্রাইভেট ফার্ম অমদা থবক তৌরম্লগা হৌজিক্লা হি থৌদুনা লৈবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি কৈবুল পুলিসনা মহাক্কী মপুরোইবা অদু ফাজিনখ্রে। অদুগা অশিবা হকচাং অদুনা রিমসকী মোর্গতা এগজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কোভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। অদুগা অশিবা হকচাং অদু নুপী ময়ুম অমদি নুপা ময়ুম অনীনা মুন্নরকপদগী মীশি অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট অমা খঙলবা মতুংদা খুৎশিন্ননবা হায়দুনা অশিবা হকচাং অদু পীদনা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

ডা. নরগী ইলেক্সন পিটিসন ...

*লামায় ১গী মখা...*জুলাই ২০দা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা কোর্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা ৱায়েল পীখিবনি। পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকট এন মহেন্দ্রনা লোক সভাগী মীখলদা আই এন সীগী মীরেপ্না বুথ কেপচর তৌখিবা অমসুং অরানবা থৌওং কয়া চত্থখিবা মরম্না ভী ভী পেট য়াওদবা ঈ ভী এমশিং সিল্ড তৌশিনবীয়ু অমসুং মীখলগা মরী লৈনবা পোৎলম পুম্নমক সিল্ড তৌশিল্লগা এক্সপার্ট কম্মিটি অমদা সাইবর ফোরেন্সিক এগজামিনেসন পাঙথোকহনগদবনি হায়না পুখৎলকখি।

মদুগীসু মথক্তা কুমজা ২০১৪গী এপ্রিল ১৬তা পোলিং ষ্টেসন নম্বর ১৭/৭ মনাক নক্লা লৈবা খোংহাম্পাৎ অৱাং লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা পব্লিক মিটিং অমদা এরিয়া অদুগী জিলা পরিষদ মেম্বরগী মপুরোইবা য়ুম্নাম ইবোতোম্বা সিংহ অমসুং জি এ দিগী দ্রাইভর হুইরোম নবা সিংহনা মীখলদা আই এন সীগী ভোট মশীং য়াম্না ফংলবদি পার্টিগী ৱার্করশিংদা লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়না লাউথোকখি।

মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ এপ্রিল ১৭তসু আই এন সীগী ৱার্করশিংনা পোলিং বুথ চঙফমদা কেম্প শাদুনা অরানবা থৌওং চত্থখিবগা লোয়ননা আই এন সীগী মীরেপ শৌগৎপা মীওই খক্তবু ভোট থাদহনখি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মীখলগী ফল অদু চৎনহনবীগনু হায়না হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি।

হায় কোর্টকী জষ্টিস কে ঐচ নোবিন সিংহনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল পীরদুনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শেমদোক শেমজিন য়ারোইদবা মওংদা ঈ ভী এম শেল্লকখিবা মরম্না মীখলদা অরানবা থৌওং চত্থখিবগী খুদম ফংদে। মদুগীসু মথক্তা ঈ সী আইনা হায়রিবা পোলিং ষ্টেসন অদুদা রিপোল তৌনবা য়াথং পীখিদবা মরম্না পিটিসনরগী মায়কৈদগী শীরক্লিবা মরাল অসি মরম চাবা ৱাৎলি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ইলেক্সন পিটিসন অসি দিসমিস তৌরে হায়না জষ্টিস কে ঐচ নোবিননা ৱায়েল পীখি।

নুপীমচা ৩ হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং ...

লামায় ১গী মখা... হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং সেলদা লৈবা পুলিসশিংনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থখ্রে। মখোয়না পুননবা হোৎনরল্লিবা নুপীমচাশিং অদু চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিগী মখাদা চেকশিন্না থমখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

পনবা য়াবদি, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী চহী নৌরিবী নুপীমচা কয়ামরুম মপান লমদা থবক তৌহনগনি হায়বগী থাজবা পীরগা ট্রাফিক্কিং তৌখিবগী রিপোর্ট কয়ামরুম লৈ। হন্দক্তসু শাশিন্নবা ওর্গনাইজেসন অমনা নুপীমচা খরসু মপান লমদা পুনবা থৌরাং তৌরম্বদগী পুলিসনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে।

এম দি এসকী চ্যেরমেন ...

*লামায় ১গী মখা...*মতুং ইন্না প্রোজেক্ট দিরেক্টরনা সোসাইটি অমসুং ষ্টেয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইগদবনি। সোসাইটিগী এগজিক্যুটিব ওথোরিটি পুম্নমক মহাক্লা পায়গদবনি। সোসাইটিগী কনফর্মেসন মতুং ইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অহানবা সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাপকনি। মতুং তারকপদা সোসাইটিনা অতৈ পোষ্টশিং হাপকদবনি হায়না ৱারেপ লৌরমখি। ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না মহাক্লা চেকতা খুৎয়েক তৌখিবদু অশোয়বা অমত্তা লৈতে। অরানবা তৌনবা খুৎয়েক পীখিবসু নত্তে।

মরক অসিদা, আইজোলদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা এক্স-চীফ সেক্রেটরি পি সী লমকুঙানা পাউচে অসিদা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মওং মতৌ অসি অকিবগী মশকনি। মহাক্তি তেল্লবা মতম খরা তঙাইফদনা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরম্বনি। চেক অমফাওবা খুৎয়েক পীরম্বসু লৈতে। এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরমই হায়বগীদমক মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎপগী থৌওং অসি য়ানিংদে। হৌজিক্তি তঙাইফদনা লোগী মতেং লৌবা তাবনি।

ৱাথোক অসিদা চেন্নৈ হায়দুনা এফ আই আর লৌবদা য়াওরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈরি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা মহাক্কী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপসু লৈতে। দিল্লিদগী হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্লা করি ৱাফম ফোঙদোক্কদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

দিবেট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২: ট্রাইব-এ দিবেটিং সোসাইটি (টাদস) ময়াই লোয়শঙ ককচিং, ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ৱার ওফ ৱিট হায়না মীংথোন্দুনা পাঙথোকপা দিবেটকী অনীরকশুবা থৌরম ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর, ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

লিগেলাইজেসন/রিগ্যুলেসন ওফ আলকোহোল ৱিল মোর পোজিতিব ইম্পেক্ট ওন আৱার সোসাইটি হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা দিবেট অদুদা ইম্পেক্ট টিভিগী এদিটর ইন চীফ য়ুম্নাম রুপচন্দ্রনা স্পীকর ওইখি। টোপিক অসিবু শৌগৎলদুনা থোকচোম জোতিন, দিরেক্তর, জে এন্দ এস ভেঞ্চর প্রাইভেট লিমিটেদ, ডা. ধনবির লাইশ্রম, সোসল সাইন্টিষ্ট অমসুং মোইরাংথেম চন্দ্রশেখর, থবক্তগী পোত্থাবা বেঙ্ক ওফিসর, য়ু বি আইনা ৱা ঙাংখি। টোপিক অসিগী মায়োক্তা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি, লকচর, ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, ডা. নাওরেম অচৌবা, থবক্তগী পোত্থারবা ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্তর অমসুং কেঐচ সুন্দরি, প্রিন্সিপাল পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুল, ককচিংনা ৱা ঙাংখি।

সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং পোলিটিকেল ভীক্টিম ওইরে : মাওইষ্ট

ঙরাংগী মখা ... নাকল অমরোমদা, হৌখিবা চহী ১৫গী ওক্রম ইবোবীনা লূচিংবা লৈঙাক অদুগী মনুংদা চত্থখিবা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবগী ৱাথোক ঙসিদি সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরক্তুনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্লে। থৌওং অসিমকসু পোলিটিসিয়নশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সপু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী অচৌবা খুদম অমনি।

এসেমব্লি সেসন মনুংদা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী মশামক্লা *হাৎপা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈত্রে* হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। এসেমব্লি সেসন মনুংদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফোঙদোক অসিগী অচৌবা ৱাহন্থোক লৈ অমদি ৱাফোঙদোক অসিগী মরু ওইবা মরমদি চত্থখিবা ফেক এনকাউন্টরশিং অসি লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা চত্থখিবনি হায়বগা পাংখকনি হায়রি।চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ৱাথোক অসি সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরকলবা মতম অসিদদি সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদু শেন খায়নরগা কেস থেংনবা তারক্লি। হীরম অসিদা সিক্যুরিটি পার্সনেল খূদিংমক অমদি মণিপুর মীয়াম্না হীরম খরদা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারক্লি।

অহানবদা পোলিটিসিয়ন ময়াম্না সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংবু লান্না শীজিন্নবনা খুন্নাইদা চাউনা মাঙজবা পীরি অমদি হকথেংননা মাঙজরিবসি সিক্যুরিটি ফোর্সতনি। খুদম ওইনা থৌবাল কোলেজদা ওজা ওইরম্বা মীওই অমা ইখঙ খঙহৌদনা এম পি এস ওফিসার ওইরগা লাকখি। মহাক্কীদমক লৈঙাক্কী লূচিংবনা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পদগী মতম শাংনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক ৱানা শুজদুনা লাকপা কয়া ঈকায় ফিরুক খুমখি হায়রি।

অমরোমদনা ৱাখল নীংথিনা খন্থবা ঙমদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন থকচিল্লগা মী হাৎপদা অচোপ অরেম থিদবশিংবু গেলেন্টরি এৱার্দ পীশিদুনা প্রমোসন পীশিনবদগী পুলিস দিপার্টমেন্টতা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকচবা কয়াগী সার্বিস কেরিয়রদা চাউনা ঈকায়বা পীখিবগা চপ মান্নখি। পুম্নমক অসি সিক্যুরিটি ফোর্সপু পোলিটিসিয়ন-শিংনা মখোয়গী চৈঙাক ওইনা অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী খুদমনি হায়না চেরোল অসিনা মরাল শীরি।

চেরোল অসিনা হায়, অসুম্না অরানবা মওংদা শীজিন্নবা অসিনা মাঙজরিবসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা ইমুং লীশিং কয়া মচা কায়নবগী অমদি মপুরোইবা কায়নবগী অৱাবা মায়োক্লরি অদুগা নাকল অমরোমদনা থম্মোয় শেংনা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং ঈকায়বা পীবগা পাংখক ওইখি। অঙম অথৌ পোলিটিসিয়ন ময়াম লৈরি হায়না ঙকচাও থেক্লবনিনা মীয়াম্নসু ফেক এনকাউন্টরদা চেন্নরিবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগীদমক করিসু মতেং পাংলোই অমদি সিক্যুরিটি ফোর্স মনুংদসু মখোয়গী মীচং ৱাৎলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পুম্নমক অসি ওইদুনসু অঙম অথৌ পোলিটিসিয়ন ময়াম অদুদি অৱাবা নংলোই অদুবু তিকি চারুবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুদি সুপ্রিম কোর্টতা কেস শোয়দনা থেংনরগনি। মরম অদুনা ফেক এনকাউন্টরগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী কেস মায়োক্লরিবা সিক্যুরিটি পার্সনেল খূদিংমক হীরম অসিদগী অচৌবা পড়া অমা তমশিনবা মতৌ তাই অমদি লেমহৌরিবা সিক্যুরিটি পার্সনেল খূদিংমক্লসু অঙম অথৌ পোলিটিসিয়ন ময়ামগী হায়বা ইনবা ওইবনা পোলোইদা অৱাবা নংই হায়বসি খঙজিনবা মতম ওইরে।

অঙম অথৌ পোলিটিসিয়নশিংদি শীৎ নাম্থোক্তুনা চৎখি অদুগা থৌজিনবদা চৎলুবশিংদি পশিং থোক্লে। মরম অদুনা লন্নাই মীওইদগী হৌরগা মরী লৈনবা খূদিংমক্লা অঙম অথৌ পোলিটিসিয়ন ময়ামগী লাংদা থুদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীবগী থবক তৌবিগনু। মণিপুর মীয়াম ঙসিদি খেন্নবা খূদিংমক থাদোক্তুনা ফেক এনকাউন্টরগী কেস অসিদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা অচুম্বা ৱায়েল অমা ফংনবা হোৎনবা মতম য়ৌরব্রা হায়বসি ৱাখল খন্থনবা মাওইষ্টকী চেরোল অসিনা আপিল তৌরক্লি।

থাঙ-তা শান্নরিবশিংগী ফিজেৎ...

*লামায় ১গী মখা...*লৈঙাক্লোইশিং অমদি সোসল ৱার্করশিংনসু য়াম্না কন্না হোৎনবা চঙই। মণিপুরনা মনীং তম্বা লৈবাক ওইরম্মী হায়রিবসি কনাগী মপান্ননো হায়রগদি থাঙ-তা অমসুং শগোল, অরাম্বাইননি। পীকখ্রবা মণিপুরনা হাইনা হুম্না পাল্লমখিবা অসিননি। শগোল অমসুং থাঙ-তা অসি য়োকখৎনবা মণিপুর লৈঙাক্তা তক্লরি। হৌজিক্তি লাংওন লংদাই ওইবা মরম্না খরদি অৱাবা মায়োক্লবা য়াওগনি। সনা কোনুংনা ঙমদবশিংদা মীয়াম্নসু মতেঙ পাঙবীয়ু।

হন্দক চহীগী মেরা হৌচোংবদা সনা কোনুং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা খুৎশম্নদুনা নোংমখক্তং পাঙথোক্লগনি। মেরা চাওরেন হৌবদগী হৌরগা সনা কোনুংদগী ক্বাক তানবনচিংবা লৈবাক্কী ওইবা লাইথৌ কয়া য়াওনা চত্থরকপগা লোয়ননা মখা তাবা পাঙথোক্কনি। কংলা মনুংদসু পাঙথোক্লগনি। অয়ুক্তগী লাই তিনগী ওইবা থৌরম হান্নদগী হৌনা চত্থরকপা মেরা মেনতোংবা, মেরা ৱায়ুংবা, য়েঙখোং তম্বা খূদিংমক কংলাদা পাঙথোক্লগনি। মেরা হৌচোংবা অসি নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক অহানবা ওইনা লৈঙাক্লা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবনি। লাইথৌগী ওইবশিংদি সনা কোনুংনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা থাঙ-তা সনা কোনুংগী টিঐচ ইবোহনবী মৈতৈনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর ডা. সুসিলানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লাইফম পানাগী এল রোবিন্দ্রোনা অচৌবা খৌসা, খাবম পানাগী য়ুম্লেম্বম কুমারনা কবুই খৌসা, অহল্লুপ পানাগী নাওরেম এলেন্না নুংশিৎপা অমসুং নহারুপ পানাগী ওক্রম নেটাজিনা মরাম মচা খৌসা উৎখি।

হৈক্রু হিদোংবা থৌরমদা গভর্নর...

*লামায় ১গী মখা...*সনাজাওবনা হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি। অসিগুম্বা অরিবা কলচরেল ফেষ্টিবেল অসিগীদমক ইনভাইটেসন ফঙবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। পনবা য়াই, হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম অসি বিজয় গোবিন্দদা চহী খূদিংগী ওইনা লাংবন থাদা পাঙথোকই। মণিপুর পুৱারিগী য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমা ওইদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী হৌনা হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

মোদিগী খোঙচৎ...

লামায় ১গী মখা... ম্যান্মারদা দীজল সপ্লাই তৌরকপদা খুদোংচানবগীদমক পাইপ লাইন অমা শেমগৎলকপা য়াই হায়না এন আর এলগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ম্যান্মারনা চহী ১দা দীজল টন মিলিয়ন ৫ রোম মথৌ তাই। থাউ মরাং কায়না থোকপা অসামনা হায়রিবা দীজলগী চাং অসি ইরায় লায়না সপ্লাই তৌবা ঙমগনি। শেনদাং ফংগদবা থৌরাং ওইবা মরম্না অতৈ পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিংসু এক্সপোর্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, তোখায়বা পাইপ লাইন অমা শীজিন্নরগা ম্যান্মারদগী ইন্দিয়াদা নেচরেল গ্যাস সপ্লাই তৌরকপা য়াই। ম্যান্মারদা হন্দক্তা গ্যাস মরাং কায়না থোকপা মফম অমা থেংনবা লৈখ্রবনি। পাইপ লাইন তিংলগা ম্যান্মারদগী গ্যাস লৈবদা শেল চঙলোইদবা মরম্না থৌরাং অসি লৌখৎপদা ইন্দিয়াগী ওইনা কান্নবা ফংগনি। অমরোমদা কেন তুননা হায়খি, পরামি ইনর্জিনা অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৈনবা থৌরাং লৌখৎলে। বাংলাদেশনসু ইন্দিয়াদগী মৈ লৈনবা থৌরাং তৌরিবনি।

Looking for quality
Institutional & Corporate Uniforms
at affordable Price ..... !!

An indigenous Product Ranges:
1. Formal Shirts
2. Pants / Trousers
3. T- Shirts
4. Pull-over
5. Sweaters
6. Skirts / Flocks
7. Coats
8. Aprons
9. Tie
10. School Belts & Badges
11. Sports Wear
12. School Phanek
(Handloom)
& many more as per your requirement

Customise Design Printing on T-shirts also can order

A make in Manipur concept

Fabric Printing by:
Multicolor Sublimation, Rubber Print & Plastisol Print
Fabric Logo by:
Multicolor Embroidery & Jacquard

Pliz make a call or inquire at our e-mail

Phiren CLOTHING
Charei
An exclusive store
- Keishampat Churachandpur Parking, Airport Road, Near ICICI Bank, Imphal, Phone: 0385 2457977 (O)
- Ground Floor, Handsome House, Paona Bazar, Imphal West- 795 001, Phone: 8415056027
e-mail: chareiup@gmail.com

Two post of Marketing Executive is urgently required, interested young and dynamic person can apply

HL-P/2134/17,18,20,22,24,26,28,30Aug&1,3Sept